# পাকিস্তানগী সুপ্রীম কোর্টনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফকী পোলিটিকেল কেরিয়র লোইশিনহনখ্রে



ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সি):
পাকিস্টানগী সুপ্রীম কোর্টনা ঙরাং হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফপু পুন্সি চুপ্পগী ওইনা পব্লিক ওফিস অমত্তা পাইহন্দনবা অমদি মীখলদা মীরেপ ওইবা য়াহন্দনবা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী পোলিটিকেল কেরিয়র লোইশিনহনখ্রে।

ঙসি পুৱারিদা শাগোন্নরগদবা ৱায়েল অদু পাথোক্লদুনা মেম্বর মঙাগী পাকিস্তানি সুপ্রিম কোর্টগী বেঞ্চনা ওবর্জাব তৌখি মদুদি অসুম্না দিসক্কালিফাই তৌদুনা অথিংবা থম্বা অসি দেমোক্রেসিদা ফজবা চৎনবী অমনি। নৱাজ শরিপতা নৎতনা হান্নগী পাকিস্তানি টেহরিক-ঈ-ইনসাফ (পি টি আই)গী সেক্রেটরি জেনরেল জহঙ্গির তরিনসু পুন্সি চুপ্পগী ওইনা মীয়াম্না খনবা মীহুৎনা পায়গদবা ওফিস খুদিংমক পায়বা থীংখ্রে।

ৱায়েল অদুন পাকিস্তানবু কুমসিগী কালেন্দা পাংথোক্কদৌরিবা মীখলগী মাঙওইননা হেন্না মরা চৎতবা পোলিটিকেল ফীভম অমদা লাকহল্লে হায়রি। জজ মঙাগী পেনেল অদুনা পাকিস্তানগী মেম্বরশিংনা পুকচেল শেংবা অমসুং অচুম্বা তৌগদবনি হায়বা ৱাফম য়াওবা পাকিস্তান কন্সটিট্যুসনগী অর্টিকল অমা পনখি। ৱায়েল অদুবু য়ানিংদবশিংনা শরিফপু পুন্সি চুপ্পগী ওইবা অথিংবা থমখিবদু সুপ্রিম কোর্টকী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা কা হেনবা ৱারেপনি হায়না ফোঙদোকখি। চীফ জষ্টিস সকিব নিসারনা লুচিংবা অমসুং জষ্টিস শেইখ অজমৎ সয়ীদ, জষ্টিস উমার অতা বন্দীয়াল, জষ্টিস ইজজুল অহসন, জষ্টিস সজদ অলি সাহ য়াওবা বেঞ্চনা পীখিবা রুলিং অদুনা পাকিস্তান পোলিটিকেল সিষ্টেমদা অচৌবা শাফু অমা পীরগনি হায়না পাক্তননা পানরি।

পার্লিয়ামেন্তগী মেম্বর অমবু পুকচেল শেংই অমসুং অচুম্বা তৌই হায়বা য়ানবগী প্রিকন্দিসন পীরিবা আর্টকল ৬২ গী প্রোভিজন অদু পনামা পেপর্স কেসতা শরিফপু কুমজা ২০১৭গী জুলাই ২৮ দা জষ্টিস অমিফ সয়ীদ খোসনা লুচিংবা সুপ্রিম কোর্টকী জজ মঙাগী বেঞ্চ অমনা দিসক্কালিফাইট তৌখিবদা শীজিন্নখিবা প্রোভিজনদুমকনি। শরিফতা নৎতনা পি টি আইগী লিদর জহাঙ্গির তরিবুসু কুমজা ২০১৭ গী দিসেম্বর ১৫ দা সুপ্রিম কোর্টগী তোঙানবা বেঞ্চ অমনা মান্নবা প্রোভিজনগী মখাদা দিসক্কালিফাইদ তৌখি।

দোন পাউচেনা চীফ জষ্টিস মিয়ন সকিব নিসরগী ৱায়েল পল্লদুনা হায়কি মদুদি মীয়ামগী লুচিংবশিং অফবা কেরেক্তর চেনগদবনি। হৌখিবা চহীগী জুলাইদা পানামা পেপর্স লিক্কী কেসতা সুপ্রিম কোর্টনা নৱাজ শরিফপু নমদুনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম থাদোকহনখিবা মতুংদা এপেক্স কোর্ট অসিনা খ্বাইদগী নৌবা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। নৱাজ শরিফকী ইমুং মনুংনা মপান্দা লৈবা কম্পিনিশিং শীজিন্নদুনা লন্দনদা অতাংবা লম অমদি য়ুম কৈশিং লেপশিনখি হায়বসি পনামাগী দোক্যুমেন্তশিংদুনা উৎখি। প্রাইম মিনিষ্টর মশাগী লাকফম থোকপা ইনকমগা চানদনা লৈরি এসেটশিং অদুগী একাউন্দ পীবা ঙমদ্রে হায়বসি দোক্যুমেন্টশিংদুগী খঙবা ঙমখি।

মহাকপু ইন্টরিম প্রাইম মিনিষ্টর সহিদ খকন অবাসিনা মহুৎ শিনখি। অবাসিসু শরিফনা লুচিংবা রুলিং পাকিস্তান মুস্লিম লিগ (এন) দগীনি।

হৌখিবা চহীগী ওক্তোবরদা শরিফপু এন্টি করপসন কোর্ট অমনা করপসনগী চাজশিংদা মরাল লৈরে য়না লাউথোকখি।

# প্লেন কাইবদা ইন্দিয়ন অমেরিকান অমা য়াওনা তরুক শিরে



ৱাশিংটন, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সি):
য়ু এসকী অরিজোনা ষ্টেটকী ফিনিক্সতা প্লেন কাইবদা নহা ওইরিবা ইন্দিয়ন অমেরিকান এনত্রপ্রনর অমা য়াওনা মীওই তরুক শিখ্রে হায়না ওথোরিতিশিংনা ফোঙদোকখ্রে ।

পাইপর পিএ -২৪ কোমানচে প্লেন অদু হৌখিবা নিংথৌকাগী অহিংদা সিতিগী এয়রপোর্টতগী লাস ভেগাস তম্না পাইখৎখিবা মতুং মিনিট ১৫ লৈরগা স্কোসদেলগী গোল্ফ কোর্স অমদা তাশিন্দুনা কাইখিবনি। প্লেন অদু লৈমাইদা তাশিনবদা মৈরি থোক্লা কাইখি অমসুং মদুদা তোংখিবা পেসেঞ্জর তরুকমক শিখি। পেসেঞ্জর খুদিংমক মশাগী চহী ২২ দগী ২৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ঙাক্তনি।

মরুক মপাংশিংনা হেপ্পি হায়না মিংগৌনবা অরিজোনাগী প্লেন ক্রাস অদুদা লৈখিদ্রবা ইন্দয়ন অমেরিকান অনন্দ পতেল কুমজা ২০০৯ দা মহৈ মশিন তম্নবগীদমক মহাক্কী মচিন মনাও ফাইবোক অকাস পাতেলগা লোয়ননা য়ু এসতা লাকখিবনি। অনন্দ পতেল ইনর্জি মরাং কায়না অমসুং মতিক ময়াই চেনবা মীশক্লি হায়না অকাস পাতেলনা ফোঙদোকখি।

প্লেন কাইবগী থৌদোক্তু নেসনেল ত্রাসপোর্টেসন সেফতি বোর্দনা ফেন্দরেল এভিএসন এদমিনিষ্ট্রেসন মতেংগা লোয়ননা থীজিল্লি । প্লেন ক্রাস অদুনা লৈখিদবা মীওইশিং অদু স্কোদেল পুলিস দিপার্টমেন্তনা মশক খঙদোকপা ঙমখ্রে।

# সিরিয়াদা মিলিটরি এক্সন লৌখৎপদা জমর্নিনা শরুক য়ারোই : চান্সলর এঞ্জেলা মর্কেল

বর্লিন, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সি):
করিগুম্বা সিরিয়াগী মায়োক্তা মিলিটরি এক্সন লৌখৎপা তারবদি মদুদা জর্মনিনা শরুক য়ারোই তৌইগুম্বসুং ফীভম অমত্তদা কেমিকেল খুৎলায় শীজিন্নবা য়ারোই হায়বা মেসেজ অমা পীবগী ৱাফমবুদি মহাক্কী লৈবাক্লা শৌগৎকনি হায়না জর্মন চান্সলর এঞ্জেলা মার্কেলনা ফোঙদোকখ্রে।

সিরিয়াগী দোমাদা চথখি হায়রিবা কেমিকেল এটেক্কী মতাংদা মার্কেলনা লৈবাক ময়ামগী ওইবা অপুনবা ফীরেপ অমা লৌফম থোকই হায়না চেকশিন্না পনখি। পনবা য়াই নোংচুলোমগী লৈবাকশিংনা এটেক অদু সিরিয়াগী প্রসিদেন্ত বাসর অশাদকী ফোর্সশিংনা মরাল শীরিবনি।

মার্কেলনা ৱাফম অসি ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা দেন্মার্ককী প্রাইম মিনিষ্টরগা উন্নরবা মতুংদা বালিনদা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা গ্যাস এটেক চথরকপদগী তঙাই ফদনা ঘোতা থাদোখিবনি হায়না মকোক থোংবা সিরিয়ন রেবেল অমনা এ এফ



পিদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

জাইস-অল-ইস্লামগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমা ওইরিবা য়াসর দলৱাননা হায়খি, কেমিকেল এটেক চথরকখ্রবা মতুংদা রেবেল ফাইটরশিং দোমা থাদোক্তুনা চৎনখিবনি। দোমাদা লৈরম্বা রেবেল ফাইটরশিং য়ানবা অমগী মখাদা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখ্রে হায়বা ৱাফম জাইস-অল-ইস্লামনা মীয়ামদা ফোংনা লাউথোরকপা হন্দক্কীসিনা অহানবনি।

দমাস্কসকী ইষ্টর্ন ঘোতাদা লৈবা দোমা টাওন্দা রেবেল ফাইটর কয়ামরুম লৈরম্বনি। মফম অসিদা লৈরম্বা ফাইটর পুম্নমক চৎখ্রবা মতুংদা সিরিয়াগী মফম অয়াম্বা গভর্নমেন্তনা খুদুম চনবা ঙম্লে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকদা লৈখ্রে।

হন্দক্তা সিরিয়াগী দোমা টাওনদা নৌনা অমুক নোংথক্তগী অকনবা মওংদা এটেক চথখি। দোমাদা লৈরিবা রেসক্যু ৱাকর ফিরাজ-অল-দোমিনা এ এফ পিদা হায়খি, নোংথক্তা লানগী প্লেন অহুম অমসুং হেলিকোপ্তর অনী পাইরক্লগা মশিং থিঙমদ্রবা বোম থাদরকখি । নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা রেজিমগী ফোসশিংগী এটেক অদুদা কেমিকেল খুৎলাইশিং শীজিন্নে হায়না মরাল শীরকখি।

দোমা খুদুম চল্লিবা জাইস-অল-ইস্লামদা চৈথেং পীনবগী পান্দমদা সিরিয়াগী লান্মীশিংনা চয়োল অমরোম লেপ্পুরবা মতুংদা নৌনা অমুক নোংথক্তগী এটেক চথবা হৌখিবনি । সিরিয়ান গভর্নমেন্তনা নোংথক্তগী চথবা এটেক্তা চাওরাক্লা মীওই ৪০ রোম দোমা টাওনদা শিখি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি । সিরিয়ান ওবজর্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটনা হায়খি, দোমাদা নোংথক্তগী এটেক চথরকখিবশিংগী মনুংদা রসিয়াগী প্লেন য়াওরম্বা য়াই হায়না থাজনরি । দোমাদা রোর্কেট কাপশিল্লকপগা লোয়ননা বোম থাদরকপদা চাওরাক্লা মীওই ৪০ রোম শিরে হায়না হ্যুমেন রাইটস গ্রুপ অসিনা ফোঙদোকপা লৈখি ।

# সিক্যুরিটি কাওন্সিলগী মেম্বরশিং ম্যান্মার অমসুং বাংলাদেশতা চৎলগনি

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সি): রোহিঙ্গা ক্রাইসিসকী মতাংদা থিজিন হুমজিনবগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী অরোইবা চয়োলদা য়ু এন সিক্যুরিটি কাওন্সিলগী মেম্বরশিংনা অচুম্বা থিদোক্লবগীদমক ম্যান্মার অমসুং বাংলাদেশতা চৎলগনি। ৱাফম অসি য়ু এস সেক্রেটরি জেনরেল এন্তোনিও গুইটেরেসকী স্পোক্সপসন ষ্টেফেন দুজারিকনা ফোঙদোকখি।

লাক্লিবা এপ্রিল ২৬ তগী মে ২ ফাওবগী খোঙচৎ মনুংদুদা কাওন্সিলগী মেম্বরশিংনা মথং থাদা পালিয়ামেন্টরি মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা ইরাকতসু চৎকনি। খোঙচৎ অদু বাংলাদেশতা চেন্দুনা খাংলিবা রোহিঙ্গা রিফ্যুজিশিংনা মায়োক্লরিবা অৱাবশিং অমসুং ম্যান্মারনা হৌজিক ফাওবা রোহিঙ্গা রেফ্যুজিশিং লৌশিন্নবা থৌরাং লৌখৎপা লৈতে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে । ম্যান্মারনা



ফুরুপ অমা তুম্না হাৎনবা থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা মুস্লিম ৭,০০,০০০ লোম বাংলাদেসতা চেনশিনখ্রবা মতুংদা য়ু এন ওফিসলগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

য়ু এনগী এসিস্টেন্ট সেক্রেটরি জেনরেল ফোর হ্যুমেনিটরিয়ন এফেয়র্স উরসুলা মুল্লরনা হায়খি, ম্যান্মারদা চত্তুনা য়েংশিল্লুবা মতমদা লৈবাক অদুগী লৈঙাক্লা হৌজিক ফাওবা রেফ্যুজিশিং লৌশিল্লগা খুন্দা লৈতাহন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী খুদম উবা ফংদে। য়ু এনগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জেনরেল অসি হন্দক্তা নুমিৎ ৬ নিগী খোঙচৎতা ম্যান্মারদা চৎলুবদা ঙাইরিবনি।

নবম্বের থাদা বাংলাদেসকা খুৎয়েক পীনখিবা য়ানচে অমগী মখাদা ম্যান্মার লৈঙাক্লা রোহিঙ্গা রেফ্যুজি পুম্নমক লৌশিল্লগা খুন্দা লৈতাহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকপনি । হৌজিকফাওবদা ম্যান্মারনা রোহিঙ্গা রেফ্যুজি চা কয়ামরুম মশক খঙদোকখিবগা লোয়ননা মীওইশিং অদু লৌশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি ।

য়ু এনগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জেনরেলনা ম্যান্মারদা চৎলুবা মতমদা রোহিঙ্গা ফুরুপকী মীওইশিংনা খুন্দারম্বা রখাইন ষ্টেটকী মফম অয়াম্বা য়েংহল্লকখিদে।

অমরোমদা ম্যান্মারদগী হিতোংদুনা চেল্লকখিবা রোহিঙ্গা কয়ামরুম হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মলেসিয়াদা থুংলখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুনা চঙজফম পীবিনবা হায়জখ্রে।

রোহিঙ্গা ফুরুপকী মীওই ৫৬ তোংবা হি অদু মলেসিয়ন মেরিটাইম ওথোরিটিশিংনা অৱাং নোংচুপ থংবা লংকাৱি ইথৎ মনাক্তা থেংনখিবনি হায়না নেভীগী মকোক অহমদ কমরুলজমন অহমদনা ফোঙদোকখি ।

# ‘রসিয়ানা লমন মতিক চানা খুমগনি’

মোস্কো, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সি):
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা রসিয়াগী লুচিংবা তরেৎ অমসুং কম্পনি ১২ গী মথক্তা অথিংবা থল্লকখিবগী মতাংদা চপ চাবা মওংদা লমন খুমগনি হায়না মোস্কোনা ফোঙদোকখ্রে ।

রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ত অমনা হায়খি মদুদি রসিয়াদা শীংনরকপা খুদিংমক লেম্না খক থারোই । মমাঙদা কয়ারক হন্না অথিংবা থমখিবদা কান্নবা ফংলক্তবদগী ৱাশিংটননা রসিয়ান বিজিনেস লীদর খরগী মথক্তা নৌনা অমুক অথিংবা থল্লকপনি । লন্নাইগী লন-থুমদা খুৎ থিংজিল্লকপা হায়বসি হুরানবগা পাংখক্লি হায়না পল্লদুনা ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ত অদুনা হায়খি, ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনদা অরানবা থৌওং শীজিন্নদুনা অতোপ্পা লৈবাক্কী কম্পনি কয়া মুথৎনবা থৌরাং লৌখৎলকপা য়ানিংদে ।

রসিয়ন প্রসিদেন্ত ভ্লাদিমির পুটিনবু খোইশাওনবা পোকহনবা য়াবা মওংদা তোঙান তোঙানবা বিজিনেস লুচিংবা তরেৎ অমসুং কম্পনি ১২ গী মথক্তা অথিংবা থম্লে হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্তনা লাউথোরকখি । হায়রিবা মীওই অমসুং কম্পনিশিং অদুগা মরী লৈনবা য়ু এসতা লৈরিবা লন-থুম পুম্নমক ফাজিল্লগনি হায়নসু ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা লাউথোকখি ।

হীরম অসিগী মতাংদা রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, অতোপ্পা লৈবাক্লা কিহল্লকপদা রসিয়ানা মায় লৈদুনা চেনগদবা লৈতে । ৱাশিংটননা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অদু রসিয়ন মীয়াম্বু অতম্লনা শীংনবনি । হান্নদগী হৌনা য়েংথিনদুনা লাকখিবা রসিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা কুইনা উংখৎনরক্লবা মতুংদা ৱাশিংটনগী খোঙথাং অদু লৌখৎলকখিবনি ।

# বোকো হরামনা ফাখিবা নাইজেরিয়ান নুপী অমসুং অঙাং ১৪৯ মিলিটরিনা কনবা ঙমখ্রে

লগোস, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সি):
নাইজেরিয়াগী খুৎলায় পাইবা গ্রুপ বোকো হরামনা লৈবাক অদুগী অৱাং নোংপোক্তগী ফাখিবা মীচম নুপী অমসুং অঙাং ১৪৯ কনবা ঙম্লে হায়না নাজিরিয়ান মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।

ফাখিবা নুপী অঙাংশিং রেক্যু তৌখিবগী মতাংদা পল্লদুনা আর্মিগী স্পোক্সমেন্ত ওনয়েমা নৱাচুকুনা হায়খি, বোকো হরামনা ফাজিল্লম্বদগী কনখিবশিংদুগী মনুংদা নুপী ৫৪ অমসুং অঙাং ৯৫ য়াওই হায়না নান ন্যুজ এজেন্সি অমগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকরকখি। লান্মীগী স্পোক্সমেন্ত নৱাচুকুনা মখা তানা হায়খিবদা কনখিবা হোস্টেজশিং অদু মনাক নকপা হোস্পিতালশিংদা পুদুনা ফিজিকেল এগজামিনেসন তৌহনখি হায়রি।

য়েরিমরি কুরানা কম্যুনিটিগী মরক্তা লৈবা বোকো হরামগী লোৎফম অমদা রেইদ চথবদা নুপী অঙাংশিং অদু কনবা ঙমখি। রেইদ অদুদা শরুক য়ারিবা লান্মীশিংনা বোকো হরামগী ফাইটর অহুম হাৎখি অমসুং গ্রুপ অসিগী মীওইশিংনি চিংনবা অতোপ্পা মীওই মঙা অমসু ফাখি। মহাক্লা নুপী অঙাংশিং অদু করম্বা মতমদা বোকো হরামনা ফাখিবনো হায়বদু পনখিদে।

অল জজিরাগী পাউমী অহমদ এদ্রিসনা নাজেরিয়াগী কেপিটেল অবুজদগী ফোঙদোকখি মদুদি, বোকো হরামনা য়েরিমরি কুরাদা ফাখিবা মীওইশিংগী মশিং অসিনা গ্রুপ অসিগী তৌবা ঙম্বা মতিক ময়াইগী চাং অদু উৎলি। গ্রুপ অসি হন্দক চহী খরা অসিদা নাজেরিয়ান লান্মীগা মায়োক্লবদা লম কয়া মাঙখ্রবনি ।



বোকো হরামনা নোর্থ ইষ্টর্ন নাইজেরিয়াদা ইস্লামিক ষ্টেট অমা শেম্নবগী পান্দমদা চহী ১০ রোম খুৎলায় পাইদুনা লাঞ্জং চঙশিল্লকখিবনি। কনফ্লিক অদুদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ২০,০০০ গী মপুন্সি লোমখ্রে। লোয়ননা মীওই মিলিয়ন ২.৬ হেন্না ময়ুম মকৈ লৈহনখিদ্রে হায়রি ।

## মাইগ্রেন্ট ৫০০ কনখ্রে

লন্দন, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সি):
মাইগ্রেন্ট ৫০০ রোম সেন্ট্রেল মেদিটরিনিয়নদগী কল্লে হায়না ইটালিয়ন কোষ্ট গার্দনা ফোঙদোকখ্রে। মাইগ্রেন্টশিং অদু লীবিয়া অমসুং ইটালিগী মরক্তা লৈবা সিদা চথখিবা তোঙান তোঙানবা ওপরেসনশিংদা রেক্যু তৌখিবনি।

মালেমগী খ্বাইদগী মীশি মীনা থোক্কনবা ক্রোসিংনি হায়না লৌনরিবা ঈশিংগী শরুক অদু নোর্থ অফ্রিকাদগী য়ুরোপ য়ৌনবা হোৎনরিবা মীওই লীশিং চা কয়াগী লম্বী অমা ওইরকখি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দগী সেন্ট্রল মেদিটরিনিয়নদা মাইগ্রেন্ট লীশিং ১৪,৫০০ হেন্না শিখ্রে হায়না পান্নরি। কুমজা ২০১৭ দা ঈশিংগী শরুক অদু লান্নবা হোৎনখিবা মীওই ৩৬ খুদিংগী মীওই অমমম শিখি।

খ্বাইদগী নৌবা রেসিক্যু ওপরেসন অদুনা কনখিবা মীওই খুদিংমক নুংশিৎ হঞ্জিল্লগা শীজিন্নবা হীনাওশিংদা তোংলমখি হায়না কোষ্ট গার্দকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

রেসক্যুগী থবক্তুদা শরুক য়াখিবা ওর্গানাইজেসনশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সি ৱাটচনা ট্যুটরদা ফোঙদোকখি মদুদি এন জি ও অসিনা রবরগী হী অনীদা তোংলগা ক্রোসিং অদু লান্নবা হোৎনবদা খুদোং থিবা নংলবা মীওই ৩০০ লোম কনবা ঙমখিবনি।

ꯁꯂꯥꯏ ꯍꯣꯜꯗꯤꯡꯁ ꯄ꯭ꯔꯥꯏꯚꯦꯠ ꯂꯤꯃꯤꯇꯦꯗ
SALAI HOLDINGS PVT. LTD.
Sagolband Tera Loukrakpam Leikai, Imphal West,
Manipur-795001, India

RECRUITMENT NOTICE

Salai Holdings Pvt. Ltd. requires the service of qualified person for its various subsidiary units to fill the following positions :

| Sl. No. | Unit | Name of Post (s) | No. of Post(s) | Qualification | Desirable | Salary |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | SALAI Infotech | Content Writer | 1 | M.A. (English) | Min. 2 yrs. experience in technical content writing | 1.0 - 1.2 Lpa |
| | | UI Designer | 1 | Graduate in Computer Science/M.Tech./MCA | Min. 2 yrs. experience in web design and development in HTML, CSS3, Java script, Bootstrap Framework, PHP, MYSQL and Angular JS. | 1.2 - 1.4 Lpa |
| 2. | SAFINS | MRO Langjing - 2 Lamlong - 2 Kongba - 2 Ningthoukhong - 3 | 9 | Graduate | Min. 2 yrs. experience in microfinance - field work | 1.0 - 1.2 Lpa |
| | | Accountant Kakching | 1 | B.Com/M.Com | Min. 2 yrs. relevant experience | 1.2 - 1.4 Lpa |
| 3. | SMART Society | Field Officer | 3 | Graduate | Min. 1 yr. experience in NGO sector | 0.7 - 0.9 Lpa |
| | | Programme Supervisor (Handloom) | 1 | PG in fashion and textile engineering | Min. 3. yrs. experience in relevant field | 1.2 - 1.4 Lpa |
| | | Designer | 1 | Diploma / Graduate in fashion designing | Min. 2. yrs. experience in relevant field | 1.0 - 1.2 Lpa |
| | | Admin Officer | 1 | PG/MSW | Min. 6 yrs. experience in NGO | 1.8 - 2.0 Lpa |
| 4. | SALAI Tours & Travels | Accountant | 1 | B.Com / M.Com | Min. 2 yrs. relevant experience with good hands on knowledge of Tally | 1.2 - 1.4 Lpa |
| 5. | SALAI Energy Solutions | General Manager | 1 | B.E. (Electrical & Electronics) | Min. 5 yrs. experience in relevant field | 2.4 - 3.0 Lpa |
| 6. | SMART Medicos | Sales Executive Imphal West | 4 | D. Pharm / B. Pharm | Male candidate with min. 2-3 yrs. experience in pharmaceutical sales | 0.7 - 0.9 Lpa |

Application (plain paper/neatly typed) with resume, two passport photo and all supporting documents should be submitted on or before 18th April 2018, at HRD Office: Sagolband Tera Loukrakpam Leikai, Imphal West. Interview date will be notified personally.

Sd/-
Secretary, Human Resources Department
SALAI HOLDINGS PVT. LTD.

HL-P/1026/14

**IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER : KAKCHING**

*Ref:- Mutation case No. 453 AS & SO/Kak, dt. 10/4/18*

Parties :- 1) Yendrembam Mohendro Singh S/o (L) Y. Ibochou Singh of Kakching Sumak Leikai 2) Yendrembam Roma Devi W/o N. Deven Singh of Kakching Sumak Leikai 3) Yendrembam Achoubi Devi W/o N. Pakpa of Kakching Sumak Leikai ... *Petitioners*

-Vs-

(L) Yendrembam Ibochou Singh S/o Kanhai Singh of Kakching Sumak Leikai ..... Opp

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ/NOTICE**

10/4/18

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner শিংনা ককচীং তহশিল খুন নং ....., পাট্টা নং ৮৪৮ অনৌবা দাগ নং ৯৬৮, এরিয়া ১.৭৫ হেক্তর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার য়েন্দ্রেম্বম ইবোচৌ সিংহ পীং কহ্নাই সিংহ সাং ককচীং খুল্লেন অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা Petitioner শিংগী মিংদা নমা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অদুনা ফৌরেল লৌফম অসি নমা পানখিবদা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

*Sd/-* **Assistant Survey & Settlement Officer, Kakching DSLR, Manipur**

*HL-P/5058/14*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : IMPHAL WEST, PATSOI**

*Ref :- Mutation Case No. 370/SDC/IW(P) of 2018*

1. Yumnam Ibotombi Singh, S/o. (L) Thambalngou Singh of Heinoupok ... *Petitioner*

-Vs-

(Late) Yumnam (o) Madhabi Devi, W/o. (L) Thambalngou Singh of Heinoupok ...*Deceased Pattader*

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ/NOTICE**

The 13/4/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না পাউ চেগী খুৎথাংদা মরি লৈনবশিংগী মফমদা খংহঞ্জরি। ই:ও: পাৎশোইগী খুল নম্বর ১০৪/লাংজিং অচৌবগী পাট্টা নং ২৫৯/৩৫২ অনৌবা হাল দাগ নং ৩০৯ গী এরিয়া ০.৬২ একর চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা দখল তৌবগী মতুংইন্না মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্টতা অইবা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারিনিগী মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা মশুশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৪/৪/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চথরগনি।

*Sd/-* **Kherdananda P**
**Sub-Deputy Collector**
**Imphal West, Patsoi**

*HL-P/1024/14*